**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 09-03-2026)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) ১২ শুবা মণিপুর বিধান সভাগী ৭ শুবা মীফম ঙসিদগী অমুক মখা চত্থবা হৌখ্রে।

২) শেল থুমগী বিভাগসু পুরিবা মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা ঙসি রাজ্য বিধান সভাদা সপ্লিমেন্টরি দিমান্দস ফোর গ্রান্টস ২০২৫-২৬ অমসুং বজেৎ ইষ্টিমেট ২০২৬-২৭ পুথোকখ্রে।

৩) মমাং থাগী ৫ দা সভাদা রাজ্যপালনা পীখিবা ৱারোল থাগৎপগী মোসন ঙসি মণিপুর বিধান সভনা পাস তৌখ্রে।

৪) মণিপুরগী মফম খরদা পারপনা নোং চুবা হৌরে, মখা তানা চুরক্লগনি হায়রি।

অমসুং

৫) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি- হৌখিবা চহী খরা অসিদা ভারত, হকশেলগী লমদা শিংথানিঙাই ওইনা ফগৎলক্লি।

------

ওবিট (এল)ঃ ১২ শুবা মণিপুর বিধান সভাগী ৭ শুবা মীফম ঙসিদগী অমুক হৌরে। মমাং থা ফেব্রুৱারিগী ৫ দা রাজ্যপালগী ৱারোলগা লোয়ননা মীফম অসি হৌখিবনি। নুমিৎ অদুখক্তমক সেসন চত্থরবা মতুং ঙসিদগী মখা তানা মীফম অমুক হৌখিবনি। মীফম অসি সেসন ৭ থোকা থা অসিগী ১৭ ফাওবা চত্থগনি।

ঙসি মীফম হেক হৌবগা মণিপুর বিধান সভা অধ্যক্ষ থোকচোম সত্যবর্তনা লৈখিদ্রবা হান্নগী প্রধান মন্ত্রি ডাঃ মনমোহন সিংহ, মণিপুরগী হান্নগী রাজ্যপাল লা গনেসন, হান্নগী বিধান সভাগী সদস্যশিং অমসুং মণিপুর লেজিসলেতিভ এসেমব্লি সেক্রেতরিয়েটকী সেক্রেতরি ওইনা থৌ পুরম্বা য়াওনা পুন্না মীওই ১৫ গী ওবিচুআরি রিফরেন্স পুখৎখি। লৈখিদ্রবা সদস্যশিং অদুদি- জিরিবাম বিধান সভা কেন্দ্রগী থৌদাম দেবেন্দ্র, চান্দেল বিধান সভা কেন্দ্রগী বি.দি. বেহরিং, কোন্থৌজম বিধান সভা কেন্দ্রগী হেনাম লোখোন সিংহ, থানলোন বিধান সভা কেন্দ্রগী বুংজাগিন বালতে, চীংঙাই বিধান সভা কেন্দ্রগী ডাঃ খাসিম রুইভা অমসুং পিতর ফাইরৈ, কাংপোকপী বিধান সভা কেন্দ্রগী থাংমিলেন কিপগেন, থাংমৈবন্দ বিধান সভা কেন্দ্রগী মৈনম ভোরোৎ, , ৱাংগোই বিধান সভা কেন্দ্রগী য়ুমাম মনিনি। মসিগা লোয়ননা ওবিচুআরি রিফরেন্স অদুদা ইং ১৯৬৭ কী মণিপুর ষ্টেট তেরিতোরিয়েল এসেমব্লিগী সদস্য ওইরম্বী অরিবম বিমোলা অমসুং মণিপুর লেজিসিলেতিভ এসেমব্লি সেক্রেতরিয়েটকী হান্নগী সেক্রেতরিশিং- রাজকুমার মোধুসনা অমসুং থোকচোম বাবুগী মতাংদসু সভানা অৱাবা ফোংদোকখি।

অৱাবা ফোংদোকপা অদুদা মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা হায়- হান্নগী প্রধান মন্ত্রি ডাঃ মনমোহন সিংহনা লৈখিদবা অসি লৈবাক অসিগী চাউনা মাংজবনি অমদি লৈখিদ্রবগী ইমুং মনুংনা নংহৌরিবা অৱাবদা শরুক য়ারি। হান্নগী মণিপুরগী রাজ্যপাল লা গনেসনগা মতম খরা লোয়নখিবা অদুদা ফাওখিবা ৱাখলগী মতাং ফোংদোক্লদুনা মুখ্য মন্ত্রিনা হান্নগী রাজ্যপাল অসিবু মণিপুর অমদি লমদম অসিগী মীয়াম্বু নুংশিবা অমসুং মীয়ামগীদমক থাগৎনিঙাই ওইবা লুচিংবা অমনি হায়না শিংথাখি।

মসিগা লোয়ননা মুখ্য মন্ত্রিনা লৈখিদ্রবা বিধান সভাগী সদস্যশিং অমসুং অতোপ্পা মীওইশিং অদুনা লৈখিদবদা অৱাবা ফোংদোকপগা লোয়ননা মখোয়না তৌরম্বা শিংথানিঙাই ওইবা থবকশিং অদু পনখি।

অৱাবা ফোংদোকপা অদুদা বি.জে.পি লুচিংবা অমসুং হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না হায়- লৈখিদ্রবা ডাঃ মনমোহন সিংহনা লৈবাক অসিগী

প্রধান মন্ত্রি ওইবগী মথক্তা মশামক ইকোনোমিষ্ট অমা ওইনা মীয়ামগীদমক থাগৎনিঙাই ওইরবা থবক কয়া তৌরম্মী। লুচিংবা অসিনা লৈখিদবা অসি লৈবাক অসিগীদি অচৌবা মাংজবা অমনি হায়না শ্রী বিরেন্না মখা তাখি।

কংগ্রেস লুচিংবা ওক্রম ইবোবীনা ওবিচুআরি রিফরেন্স অদুদা শরুক য়ারদুনা হায়- লৈখিদ্রবা ভারতকী প্রধান মন্ত্রি ডাঃ মনমোহন সিংহ অসি লৈবাক অসিগীতা নত্তনা মালেমদা মীয়ামা শক খঙনরবা থোইদোক হেন্দোকপা লুচিংবা অমনি। মহাক ভারত্তা শেনমিৎলোনগী লমদা লিবরেলাইজেসন পুরক্কুনা লৈবাক অসিবু চাওখৎননবা হোৎনরম্বা লুচিংবা অমনি । মণিপুরগী হান্নগী রাজ্যপাল লাগনেসন্না মনুং মতম চাদনা লৈখিদবদা নুংঙাইতবা ফোংদোকখি।

তুংদা, অধ্যক্ষ থোকচোম সত্যবর্তনা লৈখিদ্রবা মীওইশিং অদুগী মফমদা মিনিত অনি তুমিন্না লেপ্পুনা অবাবা ফোংদোকবা লাউথোকপগা লোয়ননা সদস্যশিংনা মিনিত অনি তুমিন্না লেপ্পুনা অৱাবা ফোংদোকখি।

বজেৎ (এল)ঃ   শেল থুমগী বিভাগসু পুরিবা মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা ঙসি রাজ্য বিধান সভাদা সপ্লিমেন্টরি দিমান্দস ফোর গ্রান্টস ২০২৫-২৬ অমসুং বজেৎ ইষ্টিমেট ২০২৬-২৭ পুথোকখ্রে।

বজেৎ অদু পুথোক্লদুনা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়- রাজ্যগী ওইবা শান্তি রক্সাগী ফিভম ফগৎলকপগা লোয়ননা হিরম খুদিংমক্তা রাজ্য অসিদা চাওখৎপগী চাং ৱাংখৎলক্লে। রাজ্য অসিগী মশাগী রেভিন্যু কল্লেক্সন অসিগী ফিভম ফগলিক্লি । ইং ২০২৪-২৫ দা রাজ্যগী রেভিন্যু কল্লেক্সন লুপা কোতি লিশিং ২,০৪৭ ওইরম্বদগী ২০২৬-২৭ তা লুপা কোতি লিশিং ২,৮৮৭ তা হেনগৎলে। মসি চহি অনি অসিদা চাদা ৩৮ হেনগৎপনি। চৎলিবা চহি অসিদা ভারত সরকারনা অখন্নবা পেকেজ ওইনা লুপা কোতি লিশিং ২,১৯৮ অসি ইন্টরেষ্ট ৱাংনা পুবা লোনশিং শিংদোকবা সেক্যুরিতিগা মরী লৈনবা খরচ, সেন্ট্রেল পেরা মিলিটরি ফোর্সশিং দিপ্লোই তৌবদা চংবা চাদিং অমদি আই.দি.পিশিংগী রিহেবিলিতেসনদা মতেং পাংনবগীদমক রাজ্য অসিগী ওইনা কাইথরকখিবনি। লাক্লিবা চহি

২০২৬-২৭ অসিগী ওইনা আই.দি.পিশিংগী রিহেবিলিতেসনগী মথৌ তাবা মতেং পুমমক পীনবা বজেৎ অসিদা লুপা কোতি ৭৩৪ হাপ্লে।

মুখ্য মন্ত্রিনা হায়- নুপীশিংগী শেন্থোক হেনগৎহন্দুনা শেল থুমগী ফিভম ফনা লৈহন্নবা সরকার অসিনা অচেৎপা ফিরেপ লৌদুনা নুপীশিংগী শেল থুমগী ফিভম ফগৎহন্নবা স্কিম অমা চহি অসিদা হৌদোক্লগনি। মসিনা রাজ্য অসিদা লৈরিবা নুপী লাখ ৩ মখায় রোমদা খুদোংচাবা ফংহনগনি।

মহাকা হায়- রাজ্য অসিগী লম্বী থোংগী ফিভম মরুওইনা লম্বী শেমগৎ শাগৎপগী লমদা সরকার অসিনা অহেনবা মীৎয়েং চংলি। লুপা কোতি ৯১৪ গী শেনফম বজেৎ ইষ্টিমেট ২০২৬-২৭ তা হাপ্লে। ইমপ্লোয়িশিংনা মখোয়গী রিটায়ার্দমেন্ট বেনিফিৎশিং ফংগদবদা লৈরিবা বেকলোকশিং ক্লিয়ার তৌনবা প্লান তৌরি। মসিগীদমক মথৌ তাবা শেনফম বজেৎতা হাপ্লে।

রিভাইস ইষ্টিমেট ২০২৫-২৬ কী ৱাফম পল্লদুনা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়- অপুনবা রিসিত অসি লুপা কোতি লিশিং ৩২,৩৬৬ ওইগনি হায়না পারি। রেভিন্যু রিসিতনা লুপা কোতি লিশিং ২২,৮৩৫ অমদি কেপিতেল রিসিতনা লুপা কোতি লিশিং ৯,২৩৭ ওইগনি হায়না পারি। অপুনবা ষ্টেটস আউন টেক্সনা লুপা কোতি ১,৯৩৮ অমদি নোন-টেক্স রিসিতনা লুপা কোতি ৪৫০ ওইগনি হায়না পারি।

এমএলএ (এল)ঃ মুখ্য মন্ত্রি যুমাম খেমচান্দনা অধ্যক্ষ থোকচোম সত্যবর্তাদা অয়াবা লৌরবা মতুংদা উপ-মুখ্য মন্ত্রি নেমচা কিপগেন য়াওনা এম.এল.এশিং- ঙুরসাংলুর সনাতে, কিমনিও হাওকিপ, এল.এম. খৌতে, হাওখোলেট কিপগেন অমসুং লেতজামাং হাওকিপ পুন্না এম.এল.এ ৬ ভিদিও কনফরেন্সিংগী খুত্থাংদা মীফমদা শরুক য়াখি।

লৈবাক অসিগী রাষ্ট্রপতিনা এসেন্ট পীখ্রবা মণিপুর সেদ্যুল কাষ্ট, আদর বেকৱার্দ ক্লাসেস রিগুলেসন ওফ ইস্যুরেন্স এন্দ ভেরিফিকেসন ওফ কাষ্ট সার্তিফিকেট বিল ২০২৪ মণিপুর বিধান সভাগী সেক্রেতরি রোহিত সাপমনা সভাদা থমখি।

রাজ্যপাল (এল)ঃ মমাং থাগী ৫ দা সভাদা রাজ্যপালনা পীখিবা ৱারোল থাগৎপগী মোসন ঙসি মণিপুর বিধান সভা খন্নখ্রে। মোসন অদু খন্ননবা রাজ্যগী গৃহ মন্ত্রি গোবিনদাস কোন্থৌজমনা পুখৎলকখি। মোসন অদুবু উপ-মখ্য মন্ত্রি লোসি দিখোনা সেকেন্দ তৌখি।

রাজ্যপালনা পীখিবা ৱারোল থাগৎপগী মোসন খন্নবদা বিরোধি কংগ্রেস লুচিংবা ওক্রম ইবোবী অমদি কৈশাম মেঘচন্দ্রনা রাজ্যপালনা পীখিবা ৱারোল অদুদা অৱাৎ অপা কয়া লৈরি হায়বা ৱাফম য়াওনা অৱাৎপশিং অদু মেনশিন্নবা সজেসন কয়া থমখি। মদুগী পাউখুম ওইনা মুখ্য মন্ত্রিগী মাইকৈদগী অৱা অপাশিং অদু খন্নদুনা পুন্না থবক তৌমিন্নদুনা ইং তপ্পা মহৌশাগী পুন্সিদা হঞ্জিনবা মণিপুর অমা ওইনবগীদমক সভাগী সদস্যশিংগী পুকিং চিংশিনখি।

তুংদা, সভাগী সদস্য খুদিংমকা য়ান্নরবা মতুং রাজ্যপালনা পীখিবা ৱারোল থাগৎপগী মোসন খন্নদুনা পাস তৌখি।

মেট (এল)ঃ মেতিওরোলোজিকেল সেন্ত্রর ইম্ফালনা হায়রি- লাক্লিবা নুমিৎ খরনি অসিদা রাজ্য অসিগী মফম খরদা নোং চুরবা য়াই। ইম্ফাল ৱেষ্ট, ইম্ফাল ইষ্ট, তামেংলোং, নোনে অমসুং চুরাচান্দপুরগী মফম খরদা ঙসি পারপা নোং চুরবা য়াহ।

অমরোমদা, ঙসি নুংথিল পুং ৪ রোম তারকপা অদুৱাইদা নোনে জিলাদা নোং চুবা হৌরে। ঐখোয়গী পাউমীনা হায়- নোং তাবা হৌরকপা অসিনা মফম অদুগী মীয়ামনা হরাউবা পোকরে।

য়ুমথংনরিবা নাগালেন্দগী মফম খরদা ঙসি লেন অমদি অখাক অরাউ য়াওনা অকনবা নোং চুখ্রে। মদুনা মরম ওইদুনা রাজ্য অদুগী মীয়ামগী মহৌশাগী পুন্সিদা অকায়বা থোকখ্রে।

মীফম (এল)ঃ দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন থৌবালনা শিন্দুনা ঙসি দিষ্ট্রিক্ট ইলেক্সন কাউন্তিং হোলদা মহিলা জন্না সুনৱাই পাব্লিক হিয়ারিং পাঙথোকখ্রে। জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিসনারনা সভপাতি ওইদুনা পাঙথোকখিবা মীফম অদুনা

য়ুমশকৈশা নুমিৎতা পাঙথোক্কদৌরিবা পাব্লিক হিয়ারিং অদুদা তৌগদবা ৱাফম কয়াগী মতাংদসু খন্নখি।

রঞ্জিৎ (এল): কংগ্রেসকী দিপুতি সি.এল.পি ওইরম্বা শুগনু কেন্দ্রগী এম.এল.এ- কে. রঞ্জিৎনা মহাক্কী দিপ্যুতি সি.এল.পিগী ফম অদু থাদোকচরগে হায়না কংগ্রেসকী প্রসিদেন্ট মালিক আর্জুন খরগেদা চেরোল অমনা পীশিনখ্রে। চেরোল অদুগী কোপি অমসু কংগ্রেস লুচিংবা রাহুল গান্ধিদা পীশিনখ্রে।

বিজেপি (এল): নোংচুপ বেঙ্গলদা ত্রিনামুল কংগ্রেসকী লুচিংবা খরনা রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুগী মীংচৎ থিনবা তৌরকখিবা থৌওং অদু বি.জে.পি মণিপুর প্রদেশকী সেদ্যুল ত্রাইব মোর্চানা য়ানিংদবা ফোংদোরক্লি। লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী চাউরবা ফম অমা পায়রিবা মীশক অমবু মীচৎ থিনবা তৌরকপা অসি তরাইনা লৌফম থোক্তে হায়না মোর্চা অসিনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি। রাষ্ট্রপতিগী মীংচৎ থিনবা তৌরকপা অসি লৈবাক অসিগী সংবিধানবু শিংনবনি।

হোম গার্দ (এল): মণিপুরগী হোম গার্দশিংনা মতম কুইনা তানদুনা লাকপা দাবীশিং থবক্তা ওন্থোকপীনবা মণিপুর হোম গার্দ ইমপ্লোয়িজ ৱেলফ্যার এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্ট ৱাই. মঙ্গিনা মুখ্য মন্ত্রি অমসুং গৃহ মন্ত্রিদা চেরোলশিং পীশিন্দুনা তকশিনখ্রে। তকশিল্লিবা ৱাফমশিং অদু অথুবা মতমদা থবক্তা ওন্থোকপীরক্কনি হায়বগী থাজবসু শ্রী মঙ্গিনা ফোংদোকখি।

তমেংলোং (এল): নেসনেল ফিসরিজ দিভলপমেন্ট বোর্দকী মখাদা ত্রাইবেল সবপ্লানগী মতাংদা নোংমগী ওইবা মীয়ামদা খঙহনবগী থৌরম অমা ঙসি তমেংলোংদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা অখণ্ড অহৈ কয়ানা ৱা ঙাংখি।

মোদি: প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি- হৌখিবা চহী খরা অসিদা লৈবাক অসিদা হকশেলগী লমদা শিংথানিঙাই ওইনা ফগৎলে।

নিউ দিল্লিদা সবকা সাদ, সবকা বিকাশ হায়বা হীরমদা পাঙথোকপা ৱেবিনরদা শ্রী মোদিনা হায়- লৈবাক অসিগী মীপুম খুদিংমকা হকচাং ফনা লৈনবা অনা অয়েক কয়াদগী ঙাকথোকবা খোঙথাং কয়া পায়খৎলি। তোঙান তোঙানবা জিলাশিংদা মেদিকেল কোলেজ অনৌবা কয়া হাংদোক্লি। শ্রী মোদিনা মখা তানা হায়-অয়ুসমান ভারত য়োজনা অমসুং অরোগ্যা মন্দিরগী খুত্থাংদা লৈবাক শিনবা থুংনা হকশেলগী থবক থৌরমশিং মীপুম খুদিংমকা ফংহন্নবা হোৎনরি। সাইন্স, টেকোলোজি, ইঞ্জিনিয়ারিং অমসুং মেথমেটিক্সতা নুপীশিংনা থবক তৌবগী চাং হেনগৎলকপা অসি চাউথোকচনিঙাই ওই হায়না প্রধান মন্ত্রিনা ফোংদোকখি।

লৈবাক অসিদা লৈরিবা মহৈ লোইশঙশিংনা মখোয় মখোয়গী কেম্পসশিং অদু লৈবাক অসিদা লৈরিবা ইন্দষ্ট্রিশিংগা খুৎশমদনা মতমগা চুনবা খুৎশু খুৎলায়শিং থমদুনা রিছার্স তৌবা মতমদা নিংথিনা তৌবা ঙমবা থবক পায়খৎনবা শ্রী মোদিনা মখা তাখি।

জয়শঙ্কর ঃ কেন্দ্রগী মপান থৌরম মন্ত্রি ডাঃ এস. জয়শঙ্করনা সংসদকী মীফমদা নোংচুপ এসিয়াদা হৌজিক ওইরক্লিবা অহোংবশিং অদুগী মতাংদা পাউদমখ্রে। ডাঃ জয়শঙ্করনা হায়- নোংচুপ এসিয়াদা ওইরক্লিবা ফিভম অসি কেন্দ্র সরকারনা কুপা য়েংশিল্লি। মফম অদুদা হৌজিক ওইরিবা ফিভমগী মতুংইন্না সরকারনা মীয়ামগী শান্তি রক্সাগীদমক লৌখৎপা য়াবা থবকশিং লৌখৎলি।

মহাকা হায়- প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা সভাপতি ওইদুনা ফমখিবা মন্ত্রি মন্দলগী মীফমদা নোংচুপ এসিয়াদা লৈরিবা ভারত মচাশিংনা হৌজিক থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং কোকহন্নবা ৱাফম খন্নখি। ডাঃ জয়শঙ্করনা মখা তানা হায়- নোংচুপ এসিয়াগী লৈবাকশিংদা হৌজিক থোক্লিবা ইরাং অসিনা মফমশিং অদুদা মহৈ তম্লিবা অমসুং থবক তৌদুনা লৈরিবা মীওইশিং লৈবাক অসিদা হল্লকবা সরকারনা হোৎনরি। ভারত মচা লিশিং ৬৭ রোমদি লৈবাক অসিদা হল্লকবা থবক পায়খৎপা লৈখ্রে।

--হৌজিক শান্নবগী পাউ ৱাইখোম চিত্রধনিদগী--

ক্রিকেটঃ আই.সি.সি মেন্স টি ত্বেন্তি ৱার্ল্ড কপ ভারতনা লৌরকপদা মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা নুংঙাইবা ফোংদোরক্লি।

সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎলকপা ৱারোল অমদা শ্রী খেমচান্দনা হায়- আই.সি.সি. মেন্স টি-ত্বেন্তি ৱার্ল্ড কপতা ভারতনা অহুম্লক শুবা ওইনা ফাইনেল লৌবা অসি লৈবাক অসিগী ওইনা অচৌবা মায় পাকপা অমনি। অপুনবা টিমগী হোৎনবা কনবা অমসুং শান্নরোইশিংগী হৈ শিংবনা ভারতপু মালেমদা চাউথোকচবা ফাওহল্লি। মহাকা হায়- শান্নরোইশিংনা মখোয়গী অকনবা লম্বা ওইরিবা নিউজিলেন্দগা থেংনদুনা চাউনা মায় পাক্লকপা অসিনা ভারত লৈরিবা ক্রিকেট মশান্নগী ইহুল অদু মশক তাক্লি।

ক্রিকেট ঃ ১০ শুবা এম.এন.সি.এ. ডব্লিয়ু. প্রহ্লাদা অমসুং ডব্লিয়ু রামানন্দা ইলিট ত্রোফি ২০২৫-২৬ কী ঙসি ইম্ফালগী লাইরেঞ্জম পাব্লিক গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচতা কে.সি.সি. কোংবা বজারনা মোদেল শিংজমৈ চীংঙামখাবু ৱিকেট ৫ দা থোইখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী থৌবালগী মোইজিং পবিক গ্রাউন্দদা শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচ অমদা ত্রাউ ক্বাকৈথেলনা আর.সি.এ লিলোংবু ৱিকেট ৪ দা থোইখি।

ক্রিকেটঃ চান্দিগরগী জি.এম.এস.এস.এস সেক্তর ত্বেন্তি সিক্স ক্রিকেট গাউন্দদা শান্নখিবা চহি ২৩ মখাগী নুপীগী ৱান ডে ত্রোফি প্লেটতা মণিপুরনা সিক্কিমবু ৱিকেট ৯ দা থোইখ্রে।

------